# দিল্লি এসেমব্লি ইলেক্সনগীদমক বি জে পিনা মীরেপ ৫৭ কী মমিং লাওথোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৭(এজেন্সি)ঃ*

লাক্লিবা মথংগী থা ফেব্রুৱারি ৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা দিল্লি এসেমব্লি মীখলগীদমক বি জে পিনা ঙসি মখোয়গী মীরেপ ৫৭ কী অহানবা মমিং পরেং অমা লাওথোকখ্রে।



মীরেপশিং অসিগী মনুংদা ১১ না সেদ্যুল কাষ্ট কম্ম্যুনিটিদগীনি অমসুং ৪ অমনা নুপীশিংনি। লৈবাক্কী কোনুং অসিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মীরেপশিংগী মমিং অদু বি জে পিগী লুচিংবা মনোজ টিৱারিনা লাওথোকখি।

লাওথোকখ্রিবা মীরেপশিং অদুগী মনুংদা শক্লাইরবা মীওইশিংদি পার্টি অসিনা রোহিনিদগী থাগৎলিবা বিজেন্দর গুপ্ত, মোডেল টাউনদগী থাগৎলিবা হান্নগী এ এ পিগী এম এল এ কপিল মিস্রা, গ্রেটর কৈলাশতগী সিখা রাই, নারেলাদগী নিলকমল খাত্রি, টিমাপুরদগী সুরেন্দ্র সিংহ বিট্টু, টুঘলকবাদতগী বিক্রম বিধুরি, চান্দিনি চোকতগী সুমন কুমার গুপ্ত, জানকপুরিদগী আসিস সুদ অমসুং পাটপারগঞ্জদগী রবি নেগিনি।

রবি নেগিনা পাটপারগঞ্জদা দিল্লিগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা মনিস সিসোদিয়াগী মায়োক্তা লম্বা থেংনগনি। অদুম ওইনমক বি জে পিনা ন্যু দিল্লি কন্সিটিট্যুয়েন্সিদা চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী মায়োক্তা লম্বা থেংনহনগদৌরিবা মীরেপকী মমিং লাওথোক্ত্রি।

দিল্লিগী লৈঙাক পায়রিবা আম আদমী পার্টি (এ এ পি) না য়ুমশাকৈশা নুমিৎতা এসেমব্লিগী সিট ৭০ মক্কী মীরেপ লাওথোকখ্রে।

পার্টি অসিগী পোলিটিকেল এফিয়ার্স কম্মিটিনা থাদোরকখিবা দোক্যুমেন্ট অদুনা সাকুর বষ্টিদগী সত্যেন্দ্র জেন, ত্রিনগরদগী জিটেন্দ্র টোমার, টিলকনগরদগী জর্নেল সিংহ, কলকাজিদগী আটিসি অমসুং কৃষ্ণ নগরদগী এস কে বগ্গানচিংবগী মিং লাওথোকখ্রে।

২০১৫ গী এসেমব্লি মীখলদা শুপ্নগী মীরেপ অমফাওবা মায় পাকপা ঙমখিদ্রবা কোংগ্রেস পার্টিগী মনুংদগী ফংবা পাউশিংনা মখোয়না অতোপ্পা পার্টি অনীগী মমিংশিং লাওথোকপা লোয়খ্রবা মতুংদা পার্টিগী মীরেপশিংগী লিষ্ট পুথোক্কনি হায়খি।

মমাঙগী এসেমব্লি মীখল অদুদা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী এ এ পিনা এসেমব্লিগী অপুনবা সিট ৭০গী মনুংদা ৬৭ ফংদুনা চাওনা মায় পাকখিবনি। মীখল অদুদা বি জে পিনা শুপ্নগী সিট ৩ খক ফংহৌখি।

অদুমওইনমক দিল্লি এসেমব্লিদা মরুওইবা ওপোজিসন পার্টি ওইরিবা বি জে পিনা মীখল অসিগীদমক ফেব্রুৱারি ১১ দা ভোট মশীং থিরকপদা চাওনা মায় পাক্কনি হায়না আশা তৌরি।

সেনিয়র বি জে পি লূচিংবা প্রকাস জবাদেকরগা লোয়ননা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মনোজ টিৱারিনা মীরেপশিংগী অরোইবা মমিং অদু ঙরাং শগোলশেলগী নুমিদাংদা পার্টিগী সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিটিগী মীফম্না অরোইবা ওইনা লেপ্পখিবনি হায়খি।

# এস–৪০০ মিসাইল ইন্দিয়াদা পীরক্লগনি

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৭(এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াদা পীগদবা এস–৪০০ মিসাইলশিং শাবা হৌরে অমসুং ২০২৫ ফাওবদা এয়র দিফেন্স মিসাইল সিষ্টেমশিং লোয়নমক পীরক্লগনি হায়না রুশিয়ান দিপ্যুটি চীফ ওফ মিসন রোমান বাবুস্কিননা ঙসি ফোঙদোকখ্রে। এক্সটরনেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর এস জয়সঙ্করনা রুশিয়া–ইন্দিয়া–চিনা ট্রাইলেটরেল মীফম অমা য়াওনবা মার্চ ২২ অমসুং মার্চ ২৩ দা রুশিয়াদা চৎকদৌরি।

# নিরভয়াগী কনভিক্টশিং ফেব্রুৱারি ১দা ফাশি তৌরগনি

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৭(এজেন্সি)ঃ*

দিল্লিদা ২০১২ দা মশাগী চহী ২৩ শুরবী মেডিকেল মহৈরোই অমবু গেংরেপ তৌবা অমসুং হাৎপগী কনভিক্সন ফংখ্রবা মীওই ৪ অদুগীদমক ঙসি নুমিদাংৱাইরম অনৌবা দেথ ৱারেন্টশিং থোকখ্রে।

মীওই ৪ অদু হৌজিক ফেব্রুৱারি ১ গী অয়ুক পুং ৬ তা ফাশি তৌদুনা শিবগী চৈরাক পীরগনি হায়না এদিস্নেল সেসন্স জজ সটিস কুমার অরোরানা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

জজ অসিনা কনভিক্টশিং অদুগী মনুংদগী মুখেস সিংহনা চৈরাক পীবগী মতম অদু য়ৈথোকপীনবা হায়জরকখিবা ৱাকং অমা ককথৎখি। দেথ ৱারেন্টশিং অদু হায়রিবা কনভিক্ট অদুমক্না থাঙ্গৎলকখিবা ঙাকপীনবা ৱাকং অমা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা ককথৎখিবগী শুপ্নগী পুং খরগী তুংদা থোকখিবনি।

তমথিরবা ক্রাইম অদু থোকখিবা চহী ৭ হেনবগী মতুংদা দেথ ৱারেন্ট অমা সহি তৌদুনা হায়রিবা চপ মান্নবা ট্রাইয়েল কোর্ট জজ অসিনা হৌখিবা চয়োলদা বিনয় শর্ম, মুখেস সিংহ, অকশ্য কুমার সিংহ অমসুং পৱান গুপ্তবু দিল্লিগী টিহার জেলদা জনুৱারি ২২ দা ফাশি তৌরগা চৈরাক পীরগনি হায়না লাওথোকখিবনি।

অদুম ওইনমক চৈরাক অদু পীগদবা নুমিৎ ৫নি ৱাৎলিঙৈ ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা ঙাকপীনবা থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকংশিং য়েংশিল্লবা মতুংখক্তদা শিবগী চৈরাকশিং অদু পীগদবনি হায়রদুনা টিহার জেল ওফিসারশিংনা অনৌবা নুমিৎ অমা লেপ্পবা খঙহল্লকখিবনি।

# স্পেস ক্র্যুগা পাউ ফাওননবা ইন্দিয়াগী সেটিলাইট সিষ্টেম থুনমক লিংখৎলগনি ঃ ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন



*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৭(এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইশ্রো)না ২০২২ ফাওবগী মনুংদা গগনয়ান নৎত্রগা মী য়াওবা মিসন স্পেসতা থাগৎত্রিঙৈ য়ান্না মাঙজৌননা স্পেসতা লৈখ্রবা ইন্দিয়ান এষ্ট্রোনোটশিংগা পাউ ফাওননবা অমসুং মিসন অদু লেপ্তুনা মোনিটর তৌনবা ইশ্রো মশাগী ওইবা সেটিলাইট কম্যুনিকেসন সিষ্টেম থুনমক লিংখৎলগনি।

হিরম অসিগী মতাংদা ইশ্রোগী চিয়ারমেন কে সিবাননা হায়, ইন্দিয়ান দাটা রিলে সেটিলাইট সিষ্টেম (আই দি আর এস এস) শাগদৌরিবা জিও সেটিলাইট ২গী কনষ্টেলেসন অমনা স্পেস নেভিগেসন সিষ্টেম অদু লিংখৎকনি। মদুনা গগনিয়ান স্পেস ক্র্যু অদুবু পৃথিবিগী লৈমাইদা লৈরিবা ষ্টেসন অদুগা ৱারী শান্নবদা মতেং ওইহনগনি।

২০২১গী অহানবা চহী তঙ্খাই নৎত্রগা দিসেম্বরদা থাগৎলবা য়ারিবা গগনিয়ানগী অহানবা মী য়াওদবা টেষ্ট ফ্লাইট অদুগী মমাঙদা অহানবা জিও সেটিলাইট অদু চহী অসিগী মনুংদা থাগৎলগনি।

২শুবা সেটিলাইট অদুনা মথঙ চহীগী ২শুবা অনমেন টেষ্ট ফ্লাইট অদুগী মমাঙদা থাগৎকনি। টেষ্ট ফ্লাইট অনীমক অদুনা স্পেসতা হ্যুমেনোইদ অমা পুগনি।

পৃথিবিগী লৈমাইদগী কিলোমিটর ৩৬,০০০ ৱাংবদা জিও ষ্টেসনরি ওর্বিটতা থমলুগদৌরিবা সেটিলাইশিং অদুনা গ্লোব অপূনবা কোনশিনগনি অমসুং টাইম লাপস অমত্তা লৈতনা স্পেসতা লৈরিবা এষ্ট্রোনোটশিংদগী আর্থ ষ্টেসনদা লেপ্তুনা কম্যুনিকেসন রিলে তৌরক্কনি।

অসিগুম্বা দাটা রিলে তৌনবা সেটিলাইটশিং অসি য়াওদ্রবদি ইশ্রোনা গ্রাউন্দ ষ্টেসন ময়াম অমা শেম্বা তাই নৎত্রগা ফোরেন কম্যুনিকেসন সার্ভিস অমা ৱাইবা তাই, মদু নৎত্রবদি স্পেস ক্র্যু অদুনা গ্রাউন্দ ষ্টাফকা মতম পূন্নমক্তা কন্টেক তৌনবা ঙম্লোই।

য়ু এস, রসিয়া অমসুং য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগুম্বা হান্না মখোয়গী ওইবা মী য়াওবা মিসনশিং থাগৎখ্রবা স্পেস পৱার পূন্নমক অসিগুম্বা মখোয় মশাগী ওইবা স্পেস কম্যুনিকেসন সিষ্টেমস লৈ।

য়ু এসকীনা অমেরিকান ট্রেকিং এন্দ দাটা রিলে সেটিলাইট সিষ্টেম, রসিয়াগীনা লচ নৎত্রগা সেটিলাইট দাটা রিলে নেটৱার্ক অমসুং য়ুরোপকীনা য়ুরোপিয়ান দাটা রিলে সিষ্টেম লৈ। চিনাগীসু মখোয়গী টিয়ানলিয়ান দাটা ট্রেকিং সিষ্টেম লৈ।

রসিয়াদা এদভান্স স্পেস ট্রেনিংগীদমক ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী পাইলোট ৪ খনগৎখ্রে। মসিগী মনুংদগী স্পেসতা চৎকদৌরিবা এষ্ট্রোনোট ১ নৎত্রগা ৩খক ফংলবা য়াই হায়না ইশ্রো চিয়ারমেন কে সিবাননা হায়খি।

নাকন অমরোমদা মহিশুরদা লৈরিবা দিফেন্স ফুদ রিছার্স লেবোরেটরিনা গ্রেভিটি লৈতবা স্পেসতা এষ্ট্রোনোটশিংনা ঈশিং অমসুং অতৈ মহিশিং য়াওনা মহিশিং থকপা ফংজনবা অখন্নবা কন্টেনরশিং পুথোকখ্রে অমসুং স্পিসিয়েল দেসি ফুদ আইটেমশিং থৌরাং তৌখ্রে।

স্পেস ক্র্যুশিং অদুদা ফুদ হিটরশিংসু পীগনি হায়খি।

# ঐখোনা করিগী পুংতোন চাগদৌরিবনো? কান্ন–কান্নরবা মরুওইবা মরম খরা লৈরি

*(এজেন্সি)ঃ*



ঐখোয়না মরাং কায়না ফংবা, মফম খুদিংমক্তা হৌরিবা উহৈ মখল পুংতোনবু করিমতা কান্নদবা উহৈ অমা ওইনা খল্লুবা লাক্লি। উহৈ মখল অসি অঙাংশিংনা পংচা–চানবা য়াম্না মমল অহোঙবা অমনি, সেমগুন্না য়াম্না মমল তাঙবা উহৈ নৎতে। মমল য়াম্না হোংদুনসু পুংতোন কান্নদবা উহৈ নৎতে। উহৈ অসি কুপ্পা থিজিনবদা য়াম্না কান্নবা পীবা চিঞ্জাক মখল অমনি। মরম অদুনা মসি চাবদা কান্নবা কয়া লৈ।

ঐখোয়না করিগী পুংতোন চাগদৌরিবনো হায়বগী মরুওইবা মরম কয়ামুক লৈ। ব্লদ সুগর মেনেজ তৌনবা পুংতোনগী অখন্নরবা ন্যুট্রিয়েন কম্পোজিসনদা মসিবু দায়বেটিস দাইট অমগীদমক য়াম্না থোইদোক্লা ফবা চিঞ্জাক অমা ওইহল্লি।

পুংতোন অসি গ্লায়সিমিক ইন্দেক্স (জি আই) নেম্বা চিঞ্জাক অমনি, হায়বদি মসি চাবদা য়াম্না থুনা তুমখিদবা, মদুগী মহুৎতা চাং নাইনা তপ্না–তপ্না তুম্বা মখল অমনি। অদুগা মসিদা সোদিয়ম চাং নেম্না য়াওই। পোটাসিয়মনা চাং ৱাংনা য়াওই।

হৌজিক মতমগী অনৌবা পূন্সি মরেনদা মমাঙঙৈগী চিঞ্জাক্তগী কম্মর্সিয়েল দাইট লোমদা চাওনা অহোংবা অমা লাক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা পূন্সি মরেলগা মরী লৈনবা লায়নাশিং হেনগৎলকপা উরি অমসুং হেনগৎলক্লিবা অনৌবা লায়নাশিং অসিগী মনুংদা দাইবেটিসনা মরুওইবা নুংনাংবগী মচাক অমা ওইহলক্লি।

হৌজিক চহী খুদিংগী দাইবেটিস নাবগী চাং হেনগৎলক্লিবগী মওং মতৌ অসি ৱাখল ৱানিংঙাইগী মশক অমনি অমসুং মসি লাক্লিন্নবা অরৈবা পান্থে পূন্নমক শোয়দনমক লৌখৎপগী মথৌ তারি।

হকচাংগী ব্লড সুগর চাং চানা থন্নবা মথৌ তারিবা ইন্সুলিন হায়বসি পেনক্রিজ হায়রিবা হকচাং কয়াৎ অসিনা পুথোকপনি। অদুবু পেনক্রিজনা ব্লড সুগর রিগুলেট তৌননবা ইন্সুলিন অদু মতিক চানা পুথোক্লক্ত্রবা মতমদা দাইবেটিস লায়না থোক্লকই।

ব্লড সুগর রিগুলেট তৌগদৌরিবা ইন্সুলিন অদু পেনক্রিজনা পুথোক্ত্রবা মরম্না সেলশিংগী মনুংদা তুংশিন্দুনা থন্নবগী ব্লড সুগরনা সেলগী মনুংদা চংলকপা ঙমদ্রে, মসিনা হকচাংদা ব্লড সুগরগী লেভেল লৈফম থোকপা মহৌশাগী চাংদগী য়াম্না ৱাংখৎহল্লি।

সুগর ৱাংবা দাইটনা ফিভম অসি থোকহন্নবগী অচৌবা মরম অমা ওইদুনসু, মরান লৈরিবসি সুগর খক্তনা নৎতে। মসি থোকহল্লিবা অতৈ মরম কয়ামুক লৈ। মসি থেংননবা অচৌবা লম্বী অমদি দাইবেটিস দাইটকী চিঞ্জাকশিং চাবনি। দাইবেটিস দাইট চাবনা সিমটোমশিং অসি থোকহন্দনবা হোৎনবদা মতেং ওইগনি।

দাইবেটিস দাইট অমগীদমক থোইদোক্না ফরবা চিঞ্জাক অমা ওইহল্লিবা, অখন্নরবা মচি ওইবা চিঞ্জাকশিং য়াওরিবা পুংতোন অসি নিংথম থাগী মতমদা খ্বাইদগী হেন্না ফংই।

ব্লড সুগর মেনেজ তৌবা অমসুং দাইবেটিস লাক্লিন্দুনা থন্নবা খ্বাইদগী খনগৎপা য়াবা উহৈ অমা ওইনা পুংতোননা ওইরিবসিগী মরমশিং অদু তাবদা নখোয় অঙকপা পোক্কনি।

অহানবা মরমদি, পুংতোনদা গ্লায়সিমিক ইন্দেক্স (জি আই)নেম্মি, জি আই নেম্বর অদুনা উহৈ অসি হকচাংদা তপ্না–তপ্না চাং নাইনা তুমখি অমসুং চুপশিনখি, মদুনা গ্লুকোজ লেভেলদা খংৱাং ৱাংখৎলকপা তৌহন্দে।

অনীশুবদা, ব্লড সুগর লেভেল থিংনবা অচৌবা অমনি হায়না খন্নরিবা ফায়বর অদু উহৈ অসিদা য়াম্না মরাং কায়না য়াওই। ফায়বর হায়বসি হকচাংদা তুম্বদা মতম শাংনা চংই, ফিভম অদুনা ব্লডষ্ট্রিমদা য়াম্না থুনা থাদোক্লক্তে।

অহুমশুবদা, পুংতোনদা কেলোরি নেম্মি, মরম অদুনা মসিনা হকচাংগী অরুম্বা চাং চানা থম্বদা মতেং ওই। হকচাংগী অরুম্বা অদু হেঞ্জিননা লুপ্লবদি মদুনা ব্লড সুগর ৱাংখৎহন্নবগী অতোপ্পা মরম অমনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিগলচর (য়ু এস দি এ)গী দাটাগী মতুং ইন্না পুংথোন গ্রাম ১০০দা সুপ্নগী কেলোরি ৬৮ অমসুং নেচরেল সুগরসু সুপ্নগী গ্রাম ৮.৯২ খক য়াওই।

মরী শুবদা পুংতোনদা সোদিয়ম চাং নেম্মি, অদুগা পোটাসিয়ম চাং ৱাংনা (গ্রাম ১০০দা গ্রাম ৪১৭) য়াওই। মসি দাইবেটিস দাইটকী মথৌতাবশিং অমা ফংহল্লবনি।

৫শুবদা কোল্লানা ভিটামিন সি ফংনবগী খ্বাইদগী ফবা অমনি খল্লম্বা য়াই, অদুবু কোল্লাদা ফংলিবা ভিটামিন সি অদুদগী শরুক ৪ হেন্না পুংতোনদা ভিটামিন অসি য়াওই। ন্যুট্রিয়েন্ট অসি হকচাংগী ইম্ম্যুন সিষ্টেম শাগৎপদা য়াম্না ৱাংনা কান্নে। লোয়ননা দাইবেটিসকুম্বা ক্রোনিক হায়বদি কুম পুবা লায়নাশিং থেংনবদা কান্নে।

মসি পূন্নমক অসিগী মথক্তা পুংথোনশিংদা হকচাং ফহন্নবগী মথৌ তাবা অতৈ মরুওইবা ভিটামিনশিং অমসুং মিনরেলশিংসু মরাং কায়না অদুম্মক য়াওরি।

# ইরান্না ঙমখৈগী ৱাংমদসু লাম্হেংনবা ঙম্মী ঃ সুপ্রিম লিদর খামেনৈ

*দুবাই, জনুৱারি ১৭(এজেন্সি)ঃ*

য়ু এস দ্রোন এটেক্না ইরানগী রিভোলুস্নরি গার্দসকী কুদস ফোর্সকী কমান্দর জেনরেল কাশিম সোলৈমানীবু ইরাক্কী বাঘদাদ এয়রপোর্ট মনাক্তা হাৎখিবা অদুগী পাউখুমদা ইরানগী সুপ্রিম লিদর অয়াটোল্লাহ আলি খামেনৈনা হায়খ্রে– রিভোলুস্নরি গার্দশিংনা ইরানগী ঙমখৈগী ৱাংমদসু লাম্হেংনবা ঙম্মী।



রিজন অসি য়েক্নবগী মীওৎ–মীনৈদগী মপুং ফানা নীং–তমদ্রিবফাওবা অথিংবগী লাম্হেং শোয়দনমক মখা চংখিগনি হায়না য়ু এসতা খুদোম্বী থিল্লদুনা সুপ্রিম লিদর অসিনা হায়খি।

য়ুমথংনরিবা ইরাক অমসুং হেন্না পাকথোক–চাওথোক্লগা মিদ্দল ইষ্টতগী য়ু এস লান্মী পূম্নমক থাদোক্তুনা চংখিনবা মহাক্না দিমান্দ তৌখি।

জেনরেল সোলৈমানী হাৎখিবগী মতুংদা য়ু এসকা খ্বাইদগী ৱাংনা উংখৎনরিঙৈ চৈরক্তা শোয়বদগী রিভোলুস্নরি গার্দসনা য়ুক্রেনিয়ান পেসেঞ্জর এয়রলাইনর অমবু য়েক্নবগী প্লেননি হায়না লান্না খন্দুনা কাপথখিবা অমসুং মদুদা তোংখিবা মীওই ১৭৬ লোয়নমক শিখিবা থৌদোক অদুনা সোলৈমানী হাৎখিবা ৱাথোক অদুদগী মালেমগী মীৎয়েং থৈদোকহন্নবা য়ু এসনা হোৎনরি।

ইরানগী মীয়ামগীদমক মখোয় লৈরি হায়না মীনল্লিবা অমেরিকানশিং অসিনা ইরানগী মীয়াম মশক কনানো হায়বদু শোয়দনমক খঙহনগনি হায়না অয়াটোল্লাহ খামেনৈনা হায়খি।

# ইরানগী এটেক্তা য়ামদ্রবদা অমেরিকান লান্মী ১১ শোকখি

*ৱাশিংটন, জনুৱারি ১৭(এজেন্সি)ঃ*

ইরানগী জেনরেল কাশিম সোলৈমানীবু বাঘদাদতা য়ু এস দ্রোন এটেক্না হাৎখিবগী মতুং ইরান্না ইরাক্তা লৈবা য়ু এস বেজশিংদা মিসাইল ময়াম অমা কাপশিন্দুনা চখরকখিবা এটেক্তা য়ু এস মিলিটরিনা অশোক–অপন অমত্তা থোক্তে হায়না হান্না হায়খ্রবসু ইরানগী এটেক অদুদা য়ামদ্রবদা অমেরিকান লান্মী ১১ শোকখি হায়না ঙরাং য়ু এস সেন্ট্রেল কমান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

জনুৱারি ৮ গী এটেক অদুদা য়ু এসকী লান্মী অমত্তা শিহৌদ্রবসু পোকখায়বশিং অদুদগী লান্মী কয়ামরুম শোকখি হায়না য়ু এস সেন্ট্রেল কমান্দগী ৱাঙাংলোয় বিল অর্বাননা হায়খি। মথক থোংবশিংদগী মাঙজৌননা হায়রকপদগী অল–অসাদ এয়র বেজদা লৈবা য়ু এস লান্মী ১৫০০ গী অয়াম্বনা বঙ্করশিংদা চেনশিন্দুনা লোৎহৌবনি হায়রি।

# মালেমগী ৱাংমদা থৱাই পানবা থিনবা চিনানা অচৌবা টেলিস্কোপ শিজিন্নখ্রে



*শাংহাই, জনুৱারি ১৭(এজেন্সি)ঃ*

স্পেসতা থিজিন–হুমজিনবদা শিজিন্নগদবা অমসুং মালেমগী ৱাংমদা মীওইবা নৎতবা অতোপ্পা থৱাই পানবা, এক্সট্রাটেরেষ্ট্রিয়েল লাইফ লৈৱ্রা হায়বা হন্দুনা থীনবগীদমক চিনানা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা রেদিও টেলিস্কোপ অদু ওফিসিয়েল ওইনা থবক শিজিন্নবা হৌখ্রে।

ফাইব–হন্দ্রেদ–মিটর এপরচর স্ফেরিকেল টেলিস্কোপ, নৎত্রগা ফাষ্ট (এফ এ এস টি) অদু ফুটবোল শান্নবুং ৩০ চাওই অমসুং লৈবাক অসিগী খা থংবা প্রোভিন্স গুইঝৌদা চিংজাও অমদা খিল্লি।

মসিবু চিনাদা 'স্কাই আই' হায়বা মমিং অসি হায়রগসু খঙনৈ। মসি ২০১৬দা শাবা লোইশিনখি। মদুগী মতুংদগী শেমদোক–শেমজিন কয়া তৌখ্রে অমসুং চাংয়েং কয়া পাংথোকখ্রে। মসিগী থবক হৌনবা নেসনেলগী অয়াবা অদু ফংখ্রে হায়না জিনহুৱানা হায়খি।

টেলিস্কোপ অসিগী চাংয়েংগী ওপরেসনশিং অদু হৌজিক ফাওবদা থাজনিংঙাই ওই অমসুং শোইনিংঙাই লৈতে। মদুগী মথক্তা টেলিস্কোপ অসিগী সেন্সিটিবিটি অসি মালেমগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা টেলিস্কোপ অদুদগী শরুক অনীমখায় হেন্না সিন্সিবিলিটি লৈ হায়না এফ এ এস টিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার জিয়াং পেংনা জিনহুৱা ন্যুজদা হায়খি।

চিনাগী স্পেস প্রোগাম খুৎমাঙ চাওশিনবা হায়বসি বৈজিংগীদমক মাঙজিন থানা থল্লিবা মরুওইবা অমা ওইরি অমসুং লৈবাক অসিনা রসিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা লেঙমানননবা অমসুং ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা অচৌবা স্পেস পৱার অমা ওইনবগী পান্দম অমা থমখ্রে।

বৈজিংনা মথঙ চহী ২০২১দা মখোয় মশাগী ওইবা মী লৈবা স্পেস ষ্টেসন অমা শাদুনা সুন্দ্রংদা পাইহন্দুনা থন্নবগী থবক হৌনবা থৌরাং তৌরি।

# চহীসিগী মনুংদা ইন্দিয়াদা সাউথ কোরিয়াগী ইলেক্ট্রিক কার–কিয়া সেল্টোস থুংলরগনি

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৭(এজেন্সি)ঃ*



চৎলিবা অনৌবা চহী অসিগী মনুংদা সাউথ কোরিয়াগী কিয়া মোটোরসনা শাবা কিয়া সেল্টোস ইলেক্ট্রিক কারশিং ইন্দিয়াদা থুংলরবা য়ানা লৈরে।

কিয়া সেল্টোস ইলেক্ট্রিক এস য়ু ভিশিং অসিগী মমল দিজলগীদা সোরুমগী মমলদা লুপা লাক্ষ ১৫.৯৯ অমসুং পেট্রোলগীদা লুপা লাক্ষ ৯.৬৯দগী হৌগনি। হায়রিবা কারশিং অসি আগষ্ট ২২, ২০১৯দা ইন্দিয়াদা মায়খুম হাংদোকখ্রে। মদুগা লোয়ননা কিয়ার মোটোরসনা লৈবাক অসিদা অহানবা ওইনা খোঙদারগনি।

সাউথ কোরিয়ান ব্রান্দ অদুনা সেল্টোসকী ওল– ইলেক্ট্রিক ভেরিয়ান্ট পুথোক্লবসু হোৎনরি হায়না রিপোর্টশিংনা ইঙ্গিৎ পীরি।

রশলেন্দ দোটকোমগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না সেলটোস ইলেক্ট্রিক ভেহিকল (ই ভি)না লাক্লিবা চহী অসিদা ইন্দিয়ান মার্কেটতা অহানবা ওইনা খোঙদারক্লগনি। অদুবু মসিগী প্রদক্সন অসি অহানবা চহী অসিগীদমক অমসুং মালেম পূম্বগীদমক ওইনসু কার ১০,০০০ য়ৌদনা অকক্লবা মশীং খক্তমক পুথোক্লবা ঙমখে অমা থল্লি। অদুমকপু মার্কেট দিমান্দ মতুং ইন্না মশীং অসিদগী হেনগৎহন্নবা কম্পেনি অসিনা থৌরাং থৌরি হায়রি।

৬৪ কে দব্লিয়ু ঐচ বেট্টরি পেকনা লোয়নবা ২০৪ বি ঐচ পি মোটোরগী হ্যুনদাই কোনাগী চপ মান্নবা ইলেক্ট্রিক ইঞ্জিন অদুমক কিয়া সেল্টোস ইলেক্ট্রিক কার অসিদা পাল্লবা য়াই।

ইলেক্ট্রিক কার অসি টেকলাইন অমসুং জি টি লাইন হায়না মখল অনীদা ফংগনি। মখল অনীসিগী অমমমদসু ভেরিয়েন্ট মঙা–মঙা হায়বদি ই, কে, কে প্লস, এক্স অমসুং এক্স প্লস হায়না পুথোক্লি।

মিদ–সাইজ এস য়ু ভি অসিগী মমাঙ অদুদা ফুল এল ই দি হেদলেম্পশিং পাল্লি, অদুগা মথক্তগী য়ুংথনা পানবা এল ই দি ফোগ লেম্পশিং পাল্লি। কার অসিগী মনিংদনা এল ই দি টেললাইটশিং অমসুং একজাউষ্ট পাইপ অনী পাল্লি। ইঞ্চি ১৭কী স্পোক ৫গী এলোয় হুইলশিংগা লোয়ননা কম্পেক এস য়ু ভি অসিদা রুপ রেলশিং অমসুং শার্ক ফিন এন্টিনাসু পাল্লি।

কারগী কেবিন মনুংদা অনৌবা কিয়া সেল্টোস অসিদা এপ্পল কারপ্লে অমসুং এন্দ্রোইদ ওটো কম্পেটিভিলিটিগা লোয়ননা ইঞ্চি ১.২৫গী টচস্ক্রিন ওদিও নেভিগেসন সিষ্টেম য়াওরি।

ইঞ্চি ৮গী ঐচ য়ু দি (হেদস অপ দিসপ্লে), ব্লাইন্দ–স্পোট ভ্যু মোনিটর, ই পি এস (ইলেক্ট্রোনিক পৱার ষ্টীয়ারিং), ইকো–কোটিং, ৩–স্পোট মলটি ফংসন ষ্টিয়ারিং হুইল অমসুং পুস–বট্টন ষ্টার্ট–ষ্টোপ পাল্লি।

এক্সিদেন্টনচিংবা করিগুম্বদা থোকপদা শাফনবগী মওংশিংগী মতাংদা কিয়া মোটোরসকী ইলেক্ট্রিক কার অসিদা এয়ারবেগ কয়ামরুম য়াওরি, এ বি এস (এন্টি–লোক ব্রেকিং সিষ্টেম) অমসুং বি এ (ব্রেক সিষ্টেম), রিভর্স পার্কিং সেন্সরস অমসুং কেমেরা, ভি এস এম (ভেহিকল ষ্টেবিলিটি মেনেজমেন্ট), ই এস সি (ইলেক্ট্রোনিক ষ্টেবিলিটি কন্ট্রোল), টি সি এস (ট্রেকসন কন্ট্রোল সিষ্টেম) অমসুং ঐচ এ সি (হিল–ষ্টার্ট এসিষ্ট কন্ট্রোল) পাল্লি।

মসি পূন্নমক অসিগী মথক্তা কিয়া সেল্টোস ইলেক্টোনিক এস য়ু ভি অসিদা ৩৬০ দিগ্রী কেমেরা অমসু য়াওরি।

# চিনাদা অঙকপা ভাইরসতগী শিখিবা ২ শুরে

*বৈজিং, জনুৱারি ১৭(এজেন্সি)ঃ*

করিনো মশক খঙবা ঙমদবা এস এ আর এস–লিঙ্ক ভাইরস অমা শন্দোরকপদগী চিনাদা শিখিবা মীওই অনী শুরে। অঙকপা ভাইরস অসি জপান অমসুং থাইলেন্দদসু থোক্লকখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

তমথিরবা এস এ আর এস (সেভিয়র একুট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম) পেথোজেনগা চপ মান্নবা ফেমিলিদগী কোরোনাভাইরস অমা লায়চৎ ওইনা শন্দোরকখিবগী ময়োল অদুনি থাজরিবা ময়ায় থংবা চিনাগী সিটি ৱুহানদা মশাগী চহী ৬৯শুরবা মীওই অমা য়ুমশাকৈশা নুমিৎতা শিখি।

২০০২–০৩ দা মেনলেন্দ চিনাদা মীওই ৩৪৯ অমসুং হোং কোংদা ২৯৯ হাৎখ্রবা এস এ আর এসকা মরী লৈনবা মরন্না মশক খঙদবা লায়চৎ অসি শন্দোরকখিবনা মীয়ামদা মীপায়বা পোক্লহনখ্রে।

চিনাদা অনৌবা ভাইরস অসিগা মরী লৈনবা ন্যুমোনিয়ানা য়ামদ্রবদা মীওই ৪১ নাখ্রে। অনীশুবা শিখিবা মীওই অদু দিসেম্বর ৩১ দগী নারকখিবনি অমসুং পলমোনারি ট্যুবরকোলোসিস অমসুং মল্টিপল ওর্গান ফঙ্কসনশিং শোকপগা লোয়ননা জনুৱারি ৪ দগী ফিভম লুশিল্লকখিবনি হায়না ৱুহান হেল্থ কম্মিসন্না হায়খি।

## GAS TODAY

**HARAN VALLEY, KWAKTA**
Booking : 04/11/19
Valid : 31/10/19
Sl. No. : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**JEMON GAS, SINGJAMEI**
Booking : 09/10/19
Valid : 03/10/19
Sl. No. 82200
Stk : 200
Time : 07.00 to 09.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 19/12/19
Valid : 11/12/19
Stk : 612
Time : 7 to 11 a.m.
First Come First Serve

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 25/10/19
Valid : 20/10/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 26/12/19
Valid : 24/12/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**RBD Indane Service**
Booking : 22/11/19
Valid : 10/11/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

**Hiyangthang Indane**
Booking : 10/11/19
Valid : 08/11/19
Sl. No. : 250
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Khurkhul Heikham Indane**
Booking : 30/11/19
Valid : 26/11/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 12.00 noon
First Come First Serve

**Yairipok Gas Service**
Booking : 28/11/19
Valid : 11/11/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 12/11/19
Sl. No : 9000
Valid : 11/11/19
Sl. No. : 8561
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**M. M. Gas Service**
Booking : 16/11/19
Valid : 07/11/19
Stk : 540
Time : 07.30 to 10.30 a.m.
First Come First Serve
Rate : Rs. 836.90

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-360**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 2 | | | 5 | | 1 | 3 | |
| 5 | 8 | | 1 | | | | 2 | |
| | 9 | 1 | | | 6 | | | 8 |
| 2 | | 8 | 6 | | | | | 1 |
| | | 3 | 2 | 8 | | | 6 | |
| 1 | | | 5 | 4 | 3 | | | |
| 8 | | | 9 | | 2 | | | 6 |
| | | 6 | | 1 | | 2 | | |
| | 1 | | 3 | | | 8 | | 5 |

**সনা–সুদোকু–৩৫৯ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 6 | 1 | 7 | 4 | 5 | 3 | 8 | 9 |
| 5 | 4 | 9 | 3 | 8 | 6 | 1 | 7 | 2 |
| 8 | 3 | 7 | 9 | 1 | 2 | 6 | 5 | 4 |
| 6 | 7 | 8 | 1 | 5 | 4 | 9 | 2 | 3 |
| 3 | 9 | 2 | 6 | 7 | 8 | 4 | 1 | 5 |
| 4 | 1 | 5 | 2 | 3 | 9 | 7 | 6 | 8 |
| 1 | 8 | 3 | 4 | 2 | 7 | 5 | 9 | 6 |
| 7 | 5 | 6 | 8 | 9 | 3 | 2 | 4 | 1 |
| 9 | 2 | 4 | 5 | 6 | 1 | 8 | 3 | 7 |